# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-03-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) তেংনৌপল জিলাগী য়াঙৌবুং খুলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

২) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ক্লাইমেত চেঞ্জ অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিং থেংননবা হোৎনবদা ইঞ্জিনিয়ারশিংগী মরুওইবা থৌদাং লৈ।

অমসুং

৩) দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল ফাখিবগী মতাংদা য়ু.এস. ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা থল্লকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- তেংনৌপল জিলাগী য়াঙৌবুং খুলদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। মদুদা অহাংবা মেগজিন অমগা লোয়ননা এস.এল.আর রাইফলস অমা, পিষ্টোল অমা, ত্বেলভ বোর রাইফল অমা, কেনবো বাইক অমা, গন পাউদর গ্রাম ২০০, বেত্তরি য়াওবা রেদিও সেট ৩, আই.ই.দি শাবদা চংবা মচাকশিং য়াওনা নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পুন্না চ্যেক পোষ্ট ১৩০ গা মথক্তা হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম অমসুং নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ৫৫০ গী মথক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি।

স্ক্রুতিনি (এল)ঃ  লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগীদমক ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিদা মীরেপ ওইনবা পুন্না মীওই ১১ না মীরেপচে পীশিল্লকখিবগী মনুংদা মীওই ১০ মীরেপ ওইনবা অয়াবা পীখ্রে। ঙরাং মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি পাঙথোকপদা ইন্নরগী ওইনা মীরেপচে ৭ কী মনুংদা ৬ য়াখি, অমগী মীরেপচে য়াখিদ্রে। আউতরগী ওইনা মীরেপচে মরিমক য়াখি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ হয়েংনি।

ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসরস্ ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি টি.ঐচ. কিরন কুমারনা হায়- মীখল অসিদা মীওই ৭ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। মীরেপচে শিং কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা মীওই ৬ মীরেপ ওইবা য়ারগনি। মনিপুর পিপলস পার্টি(এম.পি.পি)গী টিকেত্তা মীরেপচে পীশিল্লকখিবা আর.কে সোমেন্দ্রো অমদি রাজত্রিয়া জনহিট সংঘর্স পার্টি (আর.জে.এস.পি)গী টিকেত্তা মীরেপচে পীশিল্লককিবা তোমতোমসনা নোংশাবা অনিগী মীরেপচেশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা  ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ ওইনা অয়াবা পীখ্রে।  লেমহৌরিবা মখোয় মরি অদুনা- ভারত্যা জনতা পার্টিগী - থৌনাওজম বাসন্তা কুমার, কংগ্রেসকী ডা:অঙোমচা বিমোল অকোয়জম, রিপাব্লিকান পার্তি ওফ ইন্দিয়া (আর.পি.আই-অথৱালে)গী মহেস্বর থৌনাওজম,  ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপশিং- হাওরুংবম সারট নি। য়ুনিভাসিয়েল ফেমিলি পার্টিকী ঙাশেপম নিলাকান্ত সিংহগী মীরেপ চে য়াখিদ্রে।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী ঙরাং থৌবালগী দি.সি ওফিসতা মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি পাঙথোকখি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা

হায়-- মীখল অসিদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে. তিমোথি জিমিক, কংগ্রেস মীরেপ অলফ্রেদ কণ্ডম অর্থর, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ডাঃ অলিসন অবোনমাই অমসুং খো-জোননা পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিং অয়াবা পীখ্রে।

মেদিকেল (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ডাঃ এন. জোনসন থোকপা চেরোল অমনা হায়রি- লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী থবক্কা মরী লৈননা মেদিকেল গ্রাউন্দদা ইলেক্সন দ্যুতি চৎতনবা দরখাষ্ট থারকখিবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী মেদিকেল স্ক্রিনিং হয়েং পাঙথোক্লগনি। মেদিকেল স্ক্রিনিং অদু পোরোমপাৎতা লৈবা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী পঞ্চায়ট ভবনদা হয়েং অয়ুক পুং ১১ মখায়দগী পাঙথোকপা হৌগনি হায়রি।

গুড ফ্রাইডে (এল) ঃ মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকপগুম ঙসি মণিপুরদা গুড ফ্রাইডেগী থৌরম পাঙথোকরি। রাজ্য অসিগী খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা থৌনি থৌরম অমদি লাইশোল ঈশৈ শক্তুনা গুড ফ্রাইডেগী থৌরমশিং চর্চশিংদা পাঙথোকরি। যিশু খৃষ্টপু ক্রোসতা পাং তিংখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা থোরম অসি পাঙথোকপনি।

নোটিফিকেসন ঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙরাং থোকখ্রে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৮৮ দা মীখল পাঙথোক্কনি।

তাঙ্কক অসিদা কেরলাগী সিট ২০, করনাতক্কী সিট ১৪, রাজস্থানগী সিট ১৩, উত্তর প্রদেস অমসুং মহারাস্ত্রগী সিট ৮-৮, মধ্য প্রদেসকী সিট তরেৎ, অসাম অমসুং বিহারগী সিট মঙা-মঙা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং ছাতিসগরগী সিট অহুম-অহুম, মনিপুর, ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী সিট অমমম য়াওরি।

মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ৪ নি। এপ্রিল ৫ দা

স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। অদুমওইনমক জম্মু কাশ্মিরগী ওইনদি এপ্রিল ৬ তা ওইনা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট মথং থাগী ২৬ তা থাদনগনি।

মুরমু ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ক্লাইমেত চেঞ্জ অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিং থেংননবা হোৎনবদা ইঞ্জিনিয়ারশিংগী মরুওইবা থৌদাং লৈ।

ৱাফম অসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা ঙরাং সেন্ত্রেল পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (সি.পি.দব্লিউ.দি)কী এসিষ্টেন্ট একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার কাংবু অমগা উন্নবদা শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- সি.পি.দব্লিউ.দিগী ইঞ্জিনিয়ারশিংনা থবক তৌবদা ইকো ফ্রেন্টলি ওইবা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মালেমদা হৌজিক গ্রিন কন্সট্রক্সনগী তঙাইফদবশিং পল্লদুনা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা থবক তৌবা মতমদা আর্তিফিসিয়েল ইন্টেলিজেন্স, রোবোট অমসুং দ্রোন শিজিন্নবা য়াওনা অনৌবা টেকোলোজিগী মতেংনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম শোকহন্দনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা তঙাইফদে।

ইএম ঃ  দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল ফাখিবগী মতাংদা য়ু.এস. ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা থল্লকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি।

মন্ত্রালয় অসিগী মচিন চৎপা মীশক- রনধির জৈসৱালনা হায়- য়ু.এস. ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাফম অদু ভারতনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা খঙহনখ্রে। লৈবাক অসিগী ইলেক্তোরেল অমদি আইনগী ওইবা থবকশিংদা মপানদগী খুৎ থিংজিনবা অসি কৈদৌনুংদা য়াবা ঙমলোই। ভারতকী ৱায়েল পথাপ অসি কনাগুম্বা অমত্তগী ঈথিল য়াওদনা মরোমদোম লেপচবা ৱায়েল পথাপনি। মসিদা মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকবা হোৎনবা মতমদা ঙাকথোকবা শেক শাদুনা লৈ। লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মরী ফনা থমবগীদমক মাগী মাগী লৈবাক্কী অপুনবগী শক্তম অমদি চৎন কাংলোনশিং ইকায় খুমবা হায়বসি তঙাইফদে হায়নসু শ্রী রনধিরনা ফোংদোকখি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ১২ মায়থিবা পীখ্রে। জয়পুরগী সৱাই মানসিংহ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা রাজস্থান রোয়েলসনা অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৮৫ লৌখি। মদুগী পাউখুম ওইনা অনিসুবা ইন্নিংসতা অপিবা ওভর ২০ দা দিল্লি কেপিটেলসনা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭৩ খক্তমক লৌদুনা মায়থিখিবনি। ঙসি রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা বেঙ্গলোরগী এম. চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশঙ কুম্মৈগী ছুতি ওইফিবনা মরম ওইরগা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনদ্রে। অদুবু চীংগী মফম খরদা ফোংবা পাউচেশিংদি অদুমক ফোংনরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেল হায়রিবা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন অসি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী মীরেপচে ১১ গী মনুংদা ১ দি রিজেক্ট তৌখ্রে। ১০ না মীরেপ ওইবদা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংবসু থেংনরে।

নোনে জিলা শেল্লকপদগী অহানবা ওইনা মীখল পাঙথোকপা হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিনা ওইরগনি হায়না গানফিউ মেলগী অনিসুবা হেদলাইন পীরি।

মার্চ ৩১ ইষ্টর সনডেবু মণিপুর সরকারনা ছুতি পীখিদ্রে হায়বা পাউ অসিসু গানফিউ মেলগী মরুওইবা পাউ অমা ওইনা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইষ্ট সনডেবু ছুতি ওইহন্দববু তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও অমদি খৃষ্টান কম্যুনিতিগী লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে, সরকারগী ওর্দর অদু হন্দোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইননি।

------